ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ১৩, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১০৫শুবা মশীং

## কর্নাটকাদা থোক্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস

### পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা ফাওবা অপনবা পীরকপগী ফীভমদা লাক্লে

কর্নাটকাদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভমনা মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা চরাংনবা থোকহল্লে। কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা কর্নাটকাগী ৱাফম পুখৎতুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন চরাংনবা থোকহল্লকপদগী দেপ্যুটি চেয়রমেন হরিবন্সনা রাজ্য সভাগী মীফম য়েথোকপা তাখি। লোক সভাদসু কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা কর্নাটকাগী ৱাফম পুখৎনবা হোৎনবদা স্পীকর ওম বির্লানা অয়াবা পীখিদবগী মায়োক্তা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং হাওসকী ৱেলদা চঙশিন্দুনা স্লোগান কয়া লাউখি। দি এম কে, সমাজৱাদি পার্টি অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিংনসু লৈঙাক্কী মায়োক্তা স্লোগান লাউদুনা ৱেলদা চঙশিনখি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না এম এল এ খরা ফাজিল্লগা কর্নাটকাদা কোংগ্রেস অমসুং জনতা দল-সেক্যুলর (জে দি এস)গী চুংশিন্নবা লৈঙাক ইস্তুনবা হোৎনরে হায়না অধির রঞ্জন চৌধুরিনা মরাল শীখি। হীরম অসিগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, কোংগ্রেসনা মশাগী এম এল এশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রগা অতোপ্পা পার্টিদা মরাল শীদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা চরাংনবা থোকহল্লে। কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা চৎথরক্লিবা থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হাওসকী দেপ্যুটি লীদরসু ওইরিবা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, কর্নাটকাদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি কোংগ্রেস মনুংগী ওইবা ৱাথোক্নি। কোংগ্রেসনা মশাগী ইমুং-মনুংদা থোকপা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রগা অতোপ্পদা তাইনদুনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা অপনবা পীরিবসি দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়নসু রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখি। কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী এম এল এ কয়া ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপদগী চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামিনা লুচিংবা থা ১২ শুরবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগী ফীভমদা লাকখিবনি। করিগুম্বা এম এল এ ১৫ না ফম থাদোকচরগে হায়জরক্লিবসিদা এসেমব্লিগী স্পীকর কে আর রমেশনা অয়াবা পীখ্রবদি কর্নাটকাগী পোলিটিক্সতা চাউনা অহোংবা লাক্কদৌরিবনি। অপূনবা মেম্বর ২২৪ লৈবা কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা এম এল এ ১০৫ লৈবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু লৈঙাক পায়নবগী এম এল এ মশীং শুনা লৈত্রি। ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অনীনা শৌগৎলকখ্রবা মতুংদা হৌজিক বি জে পিগী মায়কৈদা লৈরিবসি পূন্না এম এল এ ১০৭নি। লৈঙাক পায়নবগীদমক তঙাইফদনা লৈফম থোকপা এম এল এ মশীংনা ১১৩ নি। পোলিটিকেলগী অকনবা লাল্লোং চৎথরকপগী শরুক অমা ওইনা মমাঙ চহীগী মে থাদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী মীখল লোইরবা মতুংদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখিবা বি জে পিবু নমথরল্লগা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৭৯না শুপ্নগী এম এল এ ৩৭ খক লৈবা জে দি এসতা শৌগৎলগা ঐচ দি কুমারস্বামিবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনখি।

চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা বহুজন সমাজ পার্টিগী এম এল এ অমনা শৌগৎলকখিবগা লোয়ননা রুলিং পার্টিগী অপূনবা এম এল এ ১১৭ য়ৌরকখি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা মোত মান্নরকখিদবগা লোয়ননা কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী এম এল এ ১৫না ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপনি। থৌরাং অসিদা করিগুম্বা স্পীকরনা অয়াবা পীরবদি এসেমব্লিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৬৯ অমসুং জে দি এসকীনা ৩৪ খক্তা ঙায়হৌরগনি। মতমদুদা এম এল এ ১০৫ লৈবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়খিবগী ফীভম লাক্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা এসেমব্লিগী স্পীকর কে আর রমেশ কুমারনা গভর্ণর বাজুভাই বালাদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা হায়খি মদুদি ফম থাদোক্লবগী মতাংদা চেরোল পীশিল্লকখিবা এম এল এ ১৩গী মনুংদা এম এল এ ৮না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং লোগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না লন্নাই ওইনা ৱারী শান্ননবা খঙহনখ্রে। চৈরকসিদা কোংগ্রেস লেজিসলেটিভ পার্টিগী মীফমদা পার্টি অসিগী এম এল এ ১২ য়াওখিদবা মরম্না চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লাক্লে। মসিগীসু মথক্তা কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী রেবেল এম এল এ ১৫ থিবা খঙদনা লোৎখ্রে। কোংগ্রেসনদি বি জে পিনা চুংশিন্নবা লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়খি, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমদি কর্নাটকানচিংবা ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা বি জে পিনা কোংগ্রেসপু লৈঙাক পায়হন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লে। বি জে পিনা য়াম্না লুজদবা মওংদা কর্নাটকাদা লৈঙাক ইস্তুনবা হোৎনরক্লিবা থৌওং অসিনা দিমোক্রেসিগী মশক থীহল্লে হায়নসু চৌধুরিনা মরাল শীখি। মণিপুরগী ওইনসু হৌজিক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তা লুচিংবা শিন্দোক্লবগী অচৌবা ৱাথোক অমা লৈরিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা মরু ওইবা মিনিষ্টর অনীদগী ফাইনান্স, পাৱর অমসুং পব্লিক ৱর্ক্সকী পোর্টফোলিও লৌথোক্লবদগী ৱাথোক হেন্না চাউথোরকখিবগা লোয়ননা নাকল অনী নাকপাক তান্নদুনা অকনবা মওংদা মুক্লবগী ফীভম লাক্লে। নাকল অনীমক্না সেন্ট্রেল লীদরশিং উনদুনা অঙম তান্নরবসু লৈখায় তাবা ঙমদবনা মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরক্তবা অমসুং চাওখৎ থৌরাং পায়খৎলক্তবা ফনা কুইশিল্লক্লে হায়বা য়াই। কর্নাটকাগী মতাংদা সেন্ট্রেল লীদরশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন চরাংনবা থোকহল্লগা মণিপুরগী মতাংদা ৱাফম অমা ফাওবা খন্নবিদ্রে। কোংগ্রেসপু ওইরবসু বি জে পিবু ওইরবসু নেসনল পার্টিগী লুচিংবশিংনা মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু কয়া য়াম্না লূম্না লৌবগে হায়বদু হন্দক্কী থৌওং অসিনসু অদুম্মক উৎথোকচরে হায়বা য়াই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ঐখোয়সিবু ঐখোয়নি হায়দৌরিব্রা?

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

খুন্নাই অসিদা অফবা থবকখক্তনা অচুম্বা লন্বীগী ৱাখল খলহল্লসি, লমচৎ ফজবনা ইকায়খুম্নে, হোৎনবা কনবনা মায় পাকই, থকসি-খাসি নাইবনা অপূনবা শক্তমনি, অফবা খনবতনা তাইবঙ শিন্থাবু নুংশিনবগী পাউজেল শন্দোকপা ঙমই। নহাক্না কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সি কনবা ঙমজরবদি তাইবঙ মীওইবা ওইনা পোকপগী মহয় য়াল্লে। মঙোন্দা শেন্বীবা মপুগী থৌজালসু, মীৎয়েংসু লৈরগনি অসুম্না পাউজেন্নরি। খুদিংমক অসিগী মতেংনা গান্ধীগী পূক্নিংদা চংখিদুনা মালেমদা মায় পাকখিবগী ইকায়খুম্নরিবনি। মশা মশানা তৌখিবা অরানবা, অশোয়বা পূম্নমকপু পুথোক্তুনা ফোঙদোক্লদে। অদুবু অফবা থবক থৌরমশিং অদুদি মীয়াম্না খঙনবা ফোঙদোক্তুনা তুংগী আশাগী লন্বী য়াৎনরি। হৌজিক্কী খুন্নাই চাওখৎনবগী লমজেলদা অসুক্কী মতিক লমজেল য়াঙবা খোঙলোইনা য়াঙনা চেনবগুম চেল্লি অদুগা ইরোয়ননা ফত্তবগী চাংসু হায়ঙমদনা খোঙ থাঙজিল্লি। মীওৎ মীনৈগী চৈনাখোলগী ইরাওখোলনা মফম খুদিং থোক্তুনা পাউচেগী লমাইদা পিক থন্না নোংমা কাংদনা ফোঙনরি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়ানা লাঙ্গৌই চন্দুনা ৱাকৎ মীফম্না চয়োম শারবা ইরমদম ওইরে। মী মরক্তা লৈবা য়াদবা শাগী লমচৎ চৎপা মীরা-শারা মফম খঙদবা চৎনরোলগী ৱাংমদা লৈখ্রবা হিংচা য়াইতম্বা য়াম্না লৈরকপনা থোক্লকপা থৌদোক-ৱাথোক ঙাক্তনি হায়না থমজনীংই। মীওইবা ঐখোয় মফম মরাং খঙদবা ৱাখল লৈতবা শাগী লোনচৎকী মতৌ চৎকুমসি অদুবু তমথীরবা শা-কৈ ফাওবা অমোম অমদি মচাবু নুংশিবগী খুদম উবা ফংই। ঐখোয় মীওইবনা তমজনীংঙাই ওইহনসি, ফনা খনসি অরানবা কয়া য়াওনরবসু চুমথোক্লদুনা তংদু লৈতাবা ওইহনসি, অচুম্বা ঙাঙসি, থকসি-খাসি, ধর্ম্ম লৈসি, অমনা অমবু ইকায়খুম্নসি, কল্লক মীহৌবা থাদোকসি, অতোনববু য়োকখৎসি, নুপী অঙাংদা নত্তবা মীৎয়েং থমগুমসি, ফত্তবা চিঞ্জাক চাগুমসি, কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দনা অপূনবা শক্তম শাগৎসি।

মহৌশাগী লৈজরম্বা ফজবা শক্তম কনসি। উপাল-হৈপাল-লৈপাল, শা, উচেক য়োকখৎসি। লাইনীং-লাইশোন, অচৌ-পিশক খাইদনা অপূনবা শক্তমগী খূৎপায় চেৎনা পায়দুনা মান্নবা খুন্নাই শেম্লসি। নাপল, অশাওবা, অপাম্বা, মীহৌবা থাদোক্লবদি ঐখোয় খুদিংমক চান্ন-চিন্নবগী মতেং ওইগদ্রা খঞ্জে। য়েংসি নৈনদুনা উরিগা-উপালগা, লৈরাংগা-খোইমুগা, ঙাগা-ঈশিংগা, ঙানুগা-খোংবালগা, অফবগা-ফত্তবগা, শূনীংবগা-শূনীংদবগা, অপাম্বগা-মীহৌবগা ময়ামসিনি তাইবঙগী চৎনরোল। অদুবু খাংবদা ৱারবা মতমগী ঈচেল ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক্না থল্লরে। ঙসিগী খুন্নাইসিদা অকি তুজুংবনা থল্লবা, উহৈ-তাহৈদ্রবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনা হুমলক্লিবা মতমগী য়াওল, চামিন্নবা-তূমিন্নবা, ফৈরা অমত্তদা কাইদোংমিন্নবা করিগী হাৎনরিবা চৈরাক ফংনি খঙনা খঙনা। মৈতৈ/মীতৈ লোনবু কনশি লাউনরি, ঙাঙনরি অদুবু ঙাঙবা ইবদি ইংলিস, হিন্দি, বঙ্গালি, সংস্কৃটনচিংবা ময়াম্না য়ানশিন্দুনা চৎনরি অদুগা মতৌ তম্বনা নোংদোল অতিয়া য়ৌবগী থাক্তা ফিজেৎ-চাকচা, ফত্তবা লোনচৎনা মাঙথরক্লিবা খোঙথাং কনানসু অথিংবা পীবা ৱাৎপগুম ওইনা উজবা ফংই। নুপীবু কন্নবা নুপী লূপ কয়ানা হোৎনরি অদুবু নুপীবু নুপীনা হাৎনবা শিন্নরি। এম এল এনা মন্ত্রি ওইনীংবা, মন্ত্রি ওইরগা অফবা ফম পায়নীংবা, লৌউবনা চাথোক লৈবা কুম ওইবা ঙাইজবা, লায়রবনা ইনাকখুনবা পাম্বগুম অফবা লোনচৎপু খৌরাংনা ঙাইজরি। হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা কাঙবুসু শ্রীকৃষ্ণনা মহাভারতকী কুরু ক্ষেত্রগী লানফমদা মনাই অর্জুন্দা ফত্তবা ময়াম্বুং মুখৎনবা (লানবীনবা) হোৎনখিবগী মতাং অদু য়ৌদ্রিবরা।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

## মোরোক অতেকপগা কফোইগা চারুবগী ফল

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

পাউচে পারুবগা হকাম চল্লকএনা ঙরাংদি মোরোক অতেকপগা কফোইগা ফজনা জুরা চানা পারগা নুংথিল পোবোপ্তা চারুববু মীৎ-না খংশিং শিংই। ৱাখল অনৌবা থোকই। কুমসি কুমদি নোং য়াহৌ খরা থেঙলে। জুলাই হৌরকপদখক্তা থরোই থোকপা ঙম্নবা তাদ্রবা নোংদু খিকলি খিকলি চুবা হৌরে। থৌবালদা, য়াইঙংপোকপীদা, মোরেদা, খুম্বোংদা, ইম্ফালদা, তখেলদা, লাংজিংদা কান কান্দুনা নোং চুই। তূম্বা নুংঙাইবা হৌরে। থওইনা নোং চুবগী ফিরেপ উদে। হন্দক খরা নোং লাউজবা অদুনরা খরা খরা চুরিবা অসিবো? নহানমখৈ নোং তারমদবদু নোংলীক খরা চুরক্লিবসিবু? মীওইবগী ৱাকৎ নোংনা তাবিবা হৌরক্লিবরা? ইমা-ইবেল ময়াম্না খুজেং পালোইনরগা নোং লাউবগী ফেসবুক্তা ফোটো থাগৎনরকপা ঐসু উজরে। ৱাবনা হাহাকার লাউনরে হায়বদু মসিনা উৎলি। খজিক্তং ঙনখৎনা ঐখোয়না নোং লাউবা ঙমহৌরম্লবদি লৌ উবদা খিত্তং ঙনখৎতুনা হেন্না কান্নরম্বা য়াবনি। জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৌ উবিনবা অখঙ অহৈশিংনা মিপাইজদুনা রেদিওদা, টেলিভিজন্দা হায়জরক্লিবা তোয়না ময়াম্না তানরে। নাকল অমরোমদা ঐনা নোং চুবা পাল্লিবগী অচৌবা মরমদি লৌ উনবগী ৱা-খক্তসু নৎচদ্রি। ঐগীদি তূম্বা নুংঙাইবগীনি, শাগৎলকপগীসুনি। নুংশা চাকপনা ঐনা তূম্বা নুংঙাইরমদবদু ইঙেনগী হন্দক্কী নীংঙাই-মল্লাইজদবী তপচবী নোংজু অসিনা থেঙলপ্নরবসু ফনা ফজনদি কুবিরে।



নোংগা চেঙগা নক্লবা মরী লৈনৈ। নোং লাক্ত্রবদা, কদাইদগী চানবা চেঙনা লাক্কদৌরিবা? মণিপুরদা নোংনা মচুদ্রবদা মপান্দগী চানবা চেঙনা পুশিল্লক্তবা মশানা তানা য়ারক্লোই। পুশিল্লকপদা অমুক লন্বী ফত্তবদগী মণিপুর য়ৌবা ঙমশিল্লক্তবা চেঙ কয়া মখ্বাং তেক্তুনা দিমাপুরদা কুন্দুনা লৈখিবা মশানা তানা য়াওরগ্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মণিপুরগী ফংফম থোকপা চেঙ মপানগী মবূক কংবা মীশিংনা চারগা তোক্লখিবা কয়া মশানা তানা লৈরগ্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লন্বী কঙাওনগনবা, ফৈনা চৎকনবা অমদি লমদনগনবদা মণিপুর পাংলকপা সুপরফাইন চেঙগী য়াম্না তৌজগনবা মচৎনি। কুমজা ১৯৩৯দা মণিপুরগী চেঙবু মণিপুরগী মপান্দা থাদোকখিবা তারবদি মণিপুর চরা হেনবা তারে, চাক তাঙলনি হায়দুনা মতমদুগী ইমা ওইবী কয়া কয়ানা মণিপুরগী চেঙ মপান্দা থাদোকপা য়ারোই হায়না থিংখিবগী নুপী লাল ১৯৩৯ থোকখিবগী ৱারী মীয়াম্না ঙসিসু তানরি। চানবগীদমক্তি ঐখোয়সু কনামত্তগা কমপ্রোমাইজ তৌজদে। মন্ত্রি ওইগেরা সন্ত্রি ওইগেরা নিংথৌ ওইগেরা। চানবা ৱাৎপা তারক্লবদা য়োঙখমদগী ফিশা তেম্বু শৎলগা খুন্নাইগী পূক্কী ঈহৌগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা ঙমখিবী লমদমসিগী ইমা কয়ানি কাউনদ্রি। হৌজিক হৌজিকমকসু মপান্দগী চঙলকপা চেঙ নিংথিজনা অচান মীরাই নাইদনা চিখাক চিঁহৈ নাইদনা য়েম্থোক্ত্রবদি ঈহৌ হেক্তা লাক্কনি পূকচাক্কীদমক শক মায় য়েংবা য়ারক্তে। বন্দ তৌনরক্কনি। ইমা কন্বী ঙৌ চা শিজগে, অতৈ অতৈ মতাংদদি খঙদে ঐখোয়গী চেঙগী চাকখাউগী মতাংসিমদি কনাসু মনা পায়দুনা থেম্বা খোৎপা, মখুদাং য়ান্দুনা খাম্বা য়ারক্লোই ভোটতা শেল ফনা লৌরুবা ওইজদুনসু। চেঙ চারগা হিংবা ঐখোয়নি চেঙদা মীৎত্রং তৌবিনু, চেঙদা ফাগী তৌবীনু হেক্তা হায়নরক্কনি। ইশা ইশাগী রেসন কার্দ লোইনা লৈনরে। লায়র অনংবনি হায়না লৈঙাক্না শকখঙবীরে। খরা খরা লায়রবা, কা হেন্না লায়রবা। কনাসু লায়নীংবা নত্তে মীওইবা হায়বসে। মণিপুরদদি লায়রবা হায়বসে য়াম্না ইকায়নখ্রবা পোৎতা অমনি। কনাসু লায়রৈ হায়বদু উহঞ্জনীংনদে। ফনমক লায়রবগী রেসন কার্দ পায়জরবসু ফিরোলদি নান্দবা অহনবা শেৎচিন্দবা য়াদে। পোৎয়েং চাউনা পীনদবা য়াদে। অউনপোৎ মীৎ-না থক্লা হাপ্তবা ইকায় ফিরুক খুম্নে। বি পি এল কার্দ পায়জরসু, হেন্দোক্তুনা এ এ ৱাই কার্দ পায়জরসু চেঙ লুপা ৩ পীবা চাজরসু লৈত-লায়রবা পৎ তৎপা মীনি হায়বসি কনা অমত্তনা হায়হন্নীংনদে। অমরোমদা চেঙ ৱাত্তননবা নোংনসু খরা ঙন্না তাবিবা, হারনসু মতমসু চানা মমলসু হেনজিনবীরক্তবা, চেঙগী ত্রকসু চাকখুম য়ৌনা ফজনা থৌজিনবীরকপা পামজৈ। খূৎথাংচেঙ হায়বসিদি মহৌশানা খূরক্তা লীৎথগনবা হায়বসি তম্বা ঙম্বা শুকনৎ নত্তে, মসিমগীসু মথক্তা তৌবগীদি চেঙ হায়বসি লন্বীদা ত্রক থৌরকপদা বোরা শেগায়রক্তুনা সেকমাইদা, মন্ত্রি পুখ্রিদা তাহৌবা খোৎহৌবা মশানা অদুম মতাবনি। মসিগীসুমুক্কীসু মথক্তা উচিনা য়াম্না পাম্না চাবা পোৎনি চেঙ হায়রিবসি। মরম খৈবিকসিনা, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চেঙমাঙ-পাউ পাউচেদা কুমওন খুদিংগী পাবা ফংজরক্লি। য়াইফরে। ●

## মচাদা দ্রগ পীজবা মমা-মপা

**নবকুমার ওইনা**

হান্নগী লাইনি-লাইনি হায়রম্বশিংসি মী ঙাক্তা ওইরম্বগী ৱা অমা লৈরিবনি। লাইনি হায়বনা গঞ্জা থকপা য়াওরম্বগী ৱাসু লৈরি। লাইদু মীনা ওইরম্বনিনা ইতোন ফায়বগী লায়না নারবদি গঞ্জা থক্লগা ফরম্বগী ৱাসি লাইশিংনসু খঙলম্মী হায়বা তাবরা। লাইনবু কারল তৌবা হৌনব্রা, ঙাওশিন্নবগী গঞ্জা থক্লম্বা নত্তে। ঙসি দ্রগ চারিবশিং অসিদি অয়াম্বনা ঙাওশিন্নবগী ওইনা উনরি, পংবগী তৌরিবনি হায়না লৌবা ইঙম ঙম্নদে। পৈশা পায়বনি, তৌবা ঙম্বনি হায়বগী নাপল অমসু য়াওবগুম্না লৌনরি। মমা-মপা পৈশা পায়বশিং ওইগল্লিবসিনদি মমা-মপানা দ্রগ পীজবা ওইনা থোক্লরে।

লাই ফাওবনা দ্রগ চারম্বা (গঞ্জা থক্লম্বা), মমা-মপানসু চুরুট থক্লিবা, হীদাক-ঙান্থক হাল্লগা থকপা চৎনরম্মীবা, নিংথৌ ফাওবা হীদাকফু থক্লল্লিবা, য়ুরোপকী নিংথৌগী ইমুং-মনুংদা দ্রগ শীজিন্নরম্বগী ৱারী ময়ামসি খঙলকপদবু দ্রগ চাংয়েং তৌনীংবা অঙাং য়াওরকপা তাবনি। দ্রগ চাবসি চৎনবী অমনি (অহলশিংনা তৌরম্বা) খল্লগা দ্রগ চাববু কৈদৌগে হায়না অঙাংনা দ্রগ চাখৎলকপবু করি হায়গে হায়বনো? চাবা ফত্তে হায়গে হায়রগসু হায়রিবা নখোয় অমুক্তা মান্নখো হায়রক্লগনা কমদৌবা। নুপীনা য়ু শুংলগা, নুপীনা য়ু য়োল্লগা নুপানা থকপনি, নুপীসু য়ু থকপা য়াওখৎলক্লিবনি। নহা ওইবা খরতনা দ্রগ চাবগুম্না অসুম খনবসি লাল্লিবনি। নুপী খরনা য়ু হৈদোকপী শান্নরিবসি নুপী খরনা শুংবা য়ুদুনি। মৈরা পায়বী ইমাগী নুপানা য়ু ঙাওবদি মরোল চুম্মীকাক হায়নবসু লৈরিবনি। মরকসিদা নাটনি হায়রগা সহর ময়ায়সিদা য়ুসি চাউনা য়োল্লিবনি।

য়ু থকপদি য়ারগা, জর্দা চাবদি য়ারগা, চুরুট থকপদি য়ারগা, সিক্যুরিটিনদি য়ু য়োল্লগা, অচৌ-অশাংনদি য়ু থক্লগা, লাইগীদি য়ু শুংলগা অঙাংদদি করিগী য়ু থক্কনু, দ্রগ চাগনু হায়না থিংগদৌরিবনো? অচৌ-অশাংনা দ্রগ লল্লোলগা মচাশিংদা দ্রগ চাগনু হায়বা য়াবা নত্তে হায়বসু য়াওনরিবনি। মী খরনা দ্রগ চারগা, য়ু থক্লগা, জর্দা চারগা মী খরনা য়ু ফারগা, দ্রগ ফারগা অচৌ-অশাংনা তুমিন-তুমিন য়ু থক্লগা, সিক্যুরিটি খরনা য়ু ফারগা লৈবাকসি কৈদৌগে হায়বনো? লৈবাক লাংনবা শিনবনি। ৱারেপ অমা মশা য়াওনা, থম্মোয় য়াওনা, থৱায় য়াওনা লৈঙাক য়াওনা, সিক্যুরিটি য়াওনা লেপ্নখো হায়রক্লবদি কমদৌবা। কোক য়াওদনা য়ু থিংবা য়াবা হৌনদে, য়ু থিংদনা দ্রগ থিংবা য়াবা হৌনদে, থৱায় য়াওদনা দ্রগ থিংবা ঙম্বা হৌনদে, ময়াম মান্নদনা দ্রগ থিংবা ঙম্বা হৌনদে। য়ু য়োনবা সিক্যুরিটিনা দ্রগ ফাবসি লোনা য়াব্রা? লোদু কদায়দনো অমা লাল্লি, দ্রগ ফাবসি য়াহনগে হায়রবদি সিক্যুরিটিনা য়ু য়োনবসি হান্না য়াহন্দবা চুম্বনি। অয়ুবা লোনা দ্রগ থিংগনি হায়বসি ঈশিৎপা য়াওরকপা ঐখোয়দি শাওনবদি লায়রদনা নোকপা তারকপদুনি। য়ু য়োনবা সিক্যুরিটিদি ফাবা ঙমদবা, নাটকীনি হায়রগা খুন্দা য়ু শুংবদি থিংবা ঙমদবা, মচানা য়ু থকপদি থিংবা ঙমদবী মমানা লৈকায়গী য়ু থিংগনি হায়বসি শুমাং লীলা মাল্লকপদুনি। য়েংবদা মতম মাঙই হায়দুনা টি ভিদু মুখৎলম্লগা থোক্লকপনি। সিক্যুরিটিসু লিলাগী মাল্লকইবনি।

মীওই অমনা ঙাইহাক নুংঙাইবগী অৱাবা পোখাবগী মরুপ-মপাং পুনবগী য়ু থক্লবনি খন্নরি। এদিক ওইরকপা হায়বসি ৱিদ্রোৱেলগী ৱানি, খাঙবা ঙমদবগীনি হায়নবনি। কোক্কী ৱানি, লৌশিংগী ৱানি, ৱারেপকী ৱানি, লৈঙাক্কী ৱানি, লোগী ৱানি। অমত্তা লৈতবগুম্বনি, মীগী ৱানি। মীওই খরনা লল্লোনবগী ওইনা কান্নবা লৌনরিবসি চাবিনবা লৈবগীনি, থাকপীনবা লৈবগীনি, মীনা মী লল্লোনবগীনি। হিংবা ঙমদবগী নত্তে, মরৈ য়েৎলিবনি। নাকল অমদনা মকোক য়াওদবদু ইকায়বা হৈতবমখৈ মীমাংদা ঙাঙথোকপা ঙল্লক্লিবনি। মী নত্তবা, মী মান্দবা, মী মুৎনবা, মী মাঙনবা তৌবা ঙমখৎলক্লিবনি। মী ওইনা পোকপগী ফগদৌবা মরম খঙবগীদি ওইররোই। মী ওইনা পোকপগী কান্নফম খঙবা ঙল্লোইদৌরিবনি, কাঞ্চথাঙ ওইগদৌরিবনি। লৈবাক অমা পানবা ঙম্নবা হোৎনবদা শিবগী চৈরাক পীনরিবসি লাই হাক্তক্তগী য়ানরিবনি। লৈবাক্কী ওইরবদি ইবুধৌসু হাৎলু, ওজাসু হাৎলু হায়বসি কৃষ্ণনা অর্জুন্দা হায়খিবা ৱানি, সোম থকচিল্লগা হায়খিবা ৱাদি মান্দে। লমদম অসিগী নুপী অমা অতোপ্পা লৈবাক্না শিবগী চৈরাক পীবা য়াওখ্রে, লমদম অসিদনা মীতোপ অমত্তা শিবগী চৈরাক পীবা ঙমদ্রি, দ্রগকী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমখিরোই হায়বনি। দ্রগকী পোলিসি হায়বসি লল্লোনবা য়ানবগী ৱারা, লৈবাক মুখৎপগী ৱারা, ফুরুপ মুখৎনবা লাল্লা? ফুরুপ অমনা থৌওইনা দ্রগ পুশিল্লকপা হায়বসি ফুরুপ অমা মুখৎনবা থৌওইনা শিনবনি হায়না লৌবা য়ারবরা? মী অমা শিবগী চৈরাক পীবা ঙমদবা হায়বসি লৈবাক অমা মুৎচরগে হায়বনি।

য়ু থিংবদগী দ্রগ চাবা হেনগৎলকপনি হায়বসু লৈ। হকশেলগী দ্রগ কয়া লান্না শীজিন্নবা য়াওরক্লি,গঞ্জাসু লান্না শীজিন্নরি। সিক্যুরিটিনা য়ু শীজিন্নবা য়ারগা মীয়াম্না য়ু শীজিন্নবা য়াদে হায়বসি দেমোক্রেসি নত্তে। লৈবাক ৱায়েন হৈতবগী ওইগনি, চিনগা চেগা শম্নদে, লৈঙাক লৈতে হায়বনি। ৱারেম্না ৱায়েনবা কৌই। শেন্দাংনা লাইরেলদা ঈশৈ শকচিনবগুম্বনি, নিংথৌ য়াগৈবদা পেনা খোংজিনবগুম্বনি। লাইনকাক য়ুদা ৱা ঙাঙলুবা য়াবা নত্তে, য়ু থক্লিবা, দ্রগ চারিবা/লল্লোলিবশিং অয়াম্বা লাই থাজবা ঙাক্তনি। দ্রগ পুরগা চৎপদা লাই খুরুম্নরিবনি। গঞ্জা থকপদসু লাইদা কৎলগা থক্নরিবনি। লাইনা নত্তে, মীওইবগী শাজত্তা য়াওরগা লৈরিবা অমনি। লাইদি ৱা ঙাঙদে।

মীওইবগী শাজৎ শেম্বসি লাই নীংবনা ওইরম্বনি, লাই-লিক তম্বা হায়নরিবা অসিনি। হৌজিক্তি লাইদি তুমিন্না লৈখ্রে, অচৌ-অশাংগা মান্নখ্রে। অচৌ-অশাংসু য়ু থকপদা য়াওরমদৌ মাল্লকই। অদুদি য়ুদি কনানা থিংবীদৌরি। থৌ লৈতবদগী পঙলাং লাংবা তাগদৌরিব্রা? থকপসু তোক্তনা থিংলে হায়বসিবু করি লোন লোনবা কৌগদৌরিবনো? উরিবা, য়েংলিবা কাঙবুনা করি হায়রিবা, মীনি হায়রমখিদরা। উচি ৱারেপ, য়োং খুদিন্নবগী মওংদা লৈবাক অমা হিংগনি হায়বা থাজবা য়াবা নত্তে। খূবাকমুক পাকপা লমদম অসিদা বোইলর য়োকপগুম হৱাই-চেঙৱায় লংশিল্লগা য়োকপা অসিদা য়ুঙাংসু য়াওরি, দ্রগ পূম্নমক য়াওশিল্লক্লি। শিংবদি খরা তপচরবসু দ্রগ শুংবা হৈগৎলক্লবনি, করিগী এটোম শুংবা হৈরোইদৌরিবা। লমদমসিগী মী হায়রিবনি, উবগা হৈবনা হাল্লি হায়জরিবনি। চেনবা চোংবা, লমজেল, শান্নবা খুদিং হৈগৎলক্লিবনি। শান্নবতা নত্তে, জগোয়দা-ঈশৈদা মালেমগী থাক য়ৌরবনি। দ্রগ চাবা, দ্রগ শুংবদসু মালেমগী থাক্তা কাখৎলক্লিবনি। করপসন্দদি মকোক ওইরমদৌ মাল্লি (শেল য়াম্বগী নত্তে, চৎনবী ওইবগী), য়ু থিংবদসু করপসন য়াওরমদৌবা মাল্লি, শেল ফংদবা থবক তৌনরমদৌবা মান্দে। লাইলিক তম্লা-তম্লগা য়ু থক্কৎলকপসিসু মোরেল করপসন নত্তে হায়বা য়ারোই। করপসন তৌবদি লাইরিক হৈবগী নত্তে। করপসন তৌরিবসি হুরানবনি, লাইরিক হৈরগা হুরানবা হৌনদে। লাইরিক হৈরগা হুরানবসি লাইগা শম্নরক্তবগী ৱানি। গঞ্জা থকপসু লাইদা কৎলগা থকপা তোক্নরক্লে। গঞ্জা ফংদবা, য়ু ফংদবা লৈরক খুল্লকপু লৈশিল্লক্তরে। অদুগা থিংলি হায়রিবনি। মচিন থীরিবসি থিংলি হায়রিবশিং ওইগদৌরি। ঙমদ্রগা করিগী থিংলিবনো? থিংগে হায়রগনা অওইবগী থিংবা কৈদৌবগে? হৈগনখ্রবা কাঙবুনা হৈতবা অমদি লৈরেদনা। হৈত্রবদি তৌদবনা ফরকই। য়ু থকপসু হৈনবা থকপনা ফগনি। হৈতবগী পংথক থকপা পংশি শিবা তারকই। য়ু থকপদগী শিখিবা নুপা অমগী লান্ন-থৌরমদা মরোল খঙদবা ঈশৈ শক্লম্মী, য়ুগী ফত্তবগী ৱা য়াওনদে, শিবা নুমিৎকী পোৎলোইবদগী হৌখ্রে, অমগা শিগদৌবা ৱাৎলি, অদুম খঙই। মখোয়গী মচা-মশুনা দ্রগ চারকপা অঙকপা নত্তে, থিংবা ঙমগদৌবসু মাল্লক্তে। অদুম থিংখিদৌরিব্রা?

য়ু থক্তনবগী পাম্বৈ ময়াম লৈগনি। মদু তৌবগী মহুত্তা ৱাজাও ঙাঙবনা হানখিবা মাল্লকই। লৈবাক ৱায়েল লৈরি হায়বা কাউবু কাউনরে, মীওই খরগী মরন্নাই মানবা, চপি থার-থারগা অমুক চেনবা মোরেগী শান্নপোৎ মানবা হায়বা তারে। লৈঙাক্লা য়ু থিংবা য়াওই হায়বসি থাজনদে। ওফিসকী লায়রি, শেল খায়বা তোকপা য়াদে হায়বসু লৈরিবনি, ময়াম্নসু খঙনরিবনি। শেল খায়বা চৎপদা য়ুনিফোর্ম শেত্তবসু লৈরে। ফানরিবসি শেল য়ানদবগী ওইরিনি হায়নসু লৈরিবনি। য়ু শুংবা লৈরি, য়ু থক্লখিদৌ মাল্লি, শুংদ্রসু মপান্দগী পুশিল্লক্লগা থক্লখিগনি। অদুদি থকপা কমদৌনা থিংগদৌরি। য়াম্না লুবা নত্তেদা, য়ু থক্তবা মী ময়াম লৈরিবসিদি। মখোয়না থক্ত্রিবসি থিংলবা ময়ামসি কিবগী নত্তে, মখোয়না হায়বা ইনবসু নত্তে, হায়বদি য়ু থক্লিংদবা মী অদুম লৈ হায়বগী ৱানি। থক্লিবা মীদু থক্তবা মী ওন্থোকপদনি, লুরিবসি ৱাখলগী লায়নাদু লায়েংবা ওইরিনি। মৈরা পায়বীনা ৱাখলগী লায়না লায়েংগনি হায়বসি থাজবদি ৱাবা ৱানি, ডোক্তর তম্লকপী কয়া মৈরা পায়বিদা য়াওরগে খঙনবদি নৎত্রিবনি।

য়ুদগী লিক্লা অমা কান্নদে হায়বগী ৱা লাক্লবনি। ৱাখলদা ৱারবা মীশিংগী ব্রেন নমথবদা কান্নে হায়না লৌবনি। চগেম পোম্বা চারগা তূম্নিংই হায়বগুম্বনি। সেলগী মনুংদা চাদা ৪৫ য়ৌরদি চোইরোল লোল্লকই হায়বা লৈরবনি। ব্রেন্দা নাবদগীদি ফিরাক নারগা শিবনা য়াল্লি। দ্রগ ময়ামসিনা লায়না মান্নদ্রি, ইশম শম্না শোন্থরগা শিরি। মী অমা শিবসি ইমুং মনুংদতা মাঙবরা? ইমুংতগী খনবা মীওইনা খঙবদি ৱাগনি, ফুরুপ্তগী খনবা কাঙলূপ্নসু খঙলোই। ৱাখলগী ঙমখৈ পিকপা মীওইশিংগী পাড়া নত্তে হায়রক্কনি। মীপূম খুদিং মরু ওইরিবসি লৈবাক অসিগীনি। ফম্নাইবশিংনা খৎনবা ঙল্লিবসি ৱাখলগী পল য়াওনদবগীনি হায়গনি। মীগী মমলসু খঙবা নৎত্রে হায়রকখিগনি। মখোয়না দ্রগ থিংবগী ৱারেপ লৌরকপা কান্নগদৌবা মাল্লক্তে। চেদা ইরগা দ্রগ থিংবা ঙল্লোই, থবক ওইনা তৌবা ঙম্বা মীওই চঙই। মদুসু থাঙহাই পায়বনা য়ারোই। মী কয়াগী ৱাখল লাকশিনবা ঙম্বা চংই, ৱায়েন চুম্বা তারকই। লৈবাক্কী ৱারেপ মরীক চুম্না লৌহনবা চুম্মী। ইশাগী ৱারেপ ওইরোইদৌবনি।

লৈবাক অমা পানবা হায়বসি লাই ওইরবা অহলশিংগী খূত্তা লৈতে, ঈ শাগৎলক্লিবা নহাশিংগী খূত্তা লৈ। নহাশিংনা দ্রগতা লুপখিবা তারবদি লৈবাক অমা মাঙখিগদৌরিবনি, নহাশিংনা মশাগী ওইজবা খঙফম থোকই, মী-লাই কিফম থোক্তে। নহাশিংগী য়ুনিটি লৈফম থোকই, অহলশিংনা লাকথুবা য়াফম থোক্তে। ঙসি লৈবাক অসিনা করি ওইরি হায়বসি নহাশিংনা খঙজগদৌবনি। মথৌ খঙনা থৌদাং লৌজগদৌরিবনি। কনানসু অথিংবা থমদে হায়বা খঙগদৌবনি। ৱাখল শোয়রোম্বা, পাঙদবগী ৱাঙাঙ ঙাঙবনা লুচিংবা শাবা য়ারোইদৌবনি।

ফবা-ফত্তবা অহলশিংনা লৈবাক অমা পীরম্লে। মদু শেন্নবদি নহাশিংগী মথৌনি। নহাশিংনা লাইরিক তম্বা তমদবগা মরী লৈনদে, লাইরিক পাগদৌবনি লাইরিক পাবদা নাপল কাজগদৌবনি, মমা-মপাদগী থংথরকপা লন খরগী নাপল কানগদৌবা নত্তে। নহাশিংনা অপিকপা ৱাখল চেল্লোইদৌবনি, মালেম অসিমক নয়ূমনি, মসিমক শেম্বা-শেংবা নথৌনি হায়বা খঙবা ফাওবা লাইরিক পাবা নৎত্রগা তম্বা তারকপদুনি। এম এ, বি এ থবক ফংবদু নত্তে। ৱাখল পিকপা নহাশিংনা লোংউপ মনুংদগী থোকপা ঙম্নদে। হিন্দুগী নেটা মাল্লকপা য়াওনরি, নহা পূনবা উদ্রি, অহলগী মতৌ তম্নরি, নাপল কানরি। মদুনা হেন্না শাথিবা দ্রগ ওইরক্লি।

পোকঙমদনা পোক্লবা মীওই মপোক্তা ইমা-ইপা নুংশিবা ঙমদবা, মখোয়না পীরম্বা শেন্নবা ঙমদ্রবা লৈবাক অসিদা হিংবা মতিক চারক্তবা হায়বসি মচাদা দ্রগ পিজবা মমা-মপা মালহনবা ঙল্লকপা অসিনা উথোরক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।